# ফিফাগী ৱাথোক্তা কুৱেটসু য়াওদুনা মেন তাদবা ফীভমদা লৈদুনা চরক চহিংনরি




জুরিখ, মার্চ ১৭ ঃ

কুৱেট গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অদুগী ফুটবোল এসোসিএসনগী থবক থৌরমশিংদা খুৎ থিংজিল্লি হায়বা ৱাফমদা ফিফানা এসোসিএসন অসিবু সস্পেন্দ তৌদুনা লৈবাক অসিগী ফুটবোল টিমবু মমাঙ চহীগী ওক্টোবর থাদগী হৌনা মালেমগী ফুটবোল কম্পিটিসন্দা শরুক য়াহন্দনা লৈরিঙৈ চৈরক অসিদা কুৱেটনা চৎলিবা থা অসিদা লাওস অমদি সাউথ কোরিয়াগা মায়োক্নদুনা শান্নগদবা এসিয়ন ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফাইয়িং মেচশিংসু কেন্সেল তৌখ্রে।

ওইরিবা ৱাথোক অসিনা মরম ওইদুনা মার্চ ২৪ অমদি ২৯ দা মথংশিংনা লাওস অমদি সাউথ কোরিয়া অনীগী মায়োক্তা শান্নগদবা এসিয়ন ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফাইয়িং মেচশিং পাঙথোক্লরোই হায়না মালেমগী ফুটবোলগী গভর্ণিং বোদি ওইরিবা ফিফানা মসিগী ৱেবসাইটতা থাদোরকখিবা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াই, মমাঙ চহীগী নবেম্বর থাদা এসিয়ন ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফাইয়িং মেচকী মনুং চন্না কুৱেটনা ম্যান্মারগী মায়োক্তা শান্নগদবা মেচ অদু কেন্সেল তৌদুনা ম্যান্মারবু ৩-০ দা মায় পাকহনখিবনি। এসিয়ন ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফাইয়িংগী গ্রুপ জিদা কুৱেটনা টেবলগী অনীশুবা মফমদা লৈদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরিবা সাউথ কোরিয়াদগী পোইন্ট নিপান তাথনা লৈরিবনি।

হৌখিবা কুমজা ১৯৮২ গী ফিফা ৱর্ল্ড কপতা ক্বালিফাই ওইদুনা শরুক য়াখিবা কুৱেটকী প্লেয়র মরিনা মমাঙ থাদা গলফ রিজনদা চৎতুনা লৈবাক অদুদা ফিফানা থল্লিবা অথিংবা অসি লৌথোকহনবদা অঙম্বা মেতং পাংবীনবা রিজন অসিগী ফুটবোল এসোসিএসনশিংগী মকোক থোংবশিংদা তকশিন্দুনা লাক্লিবনি।

হৌজিক লৈরিবা কুৱেটকী ফোং ফোং শাবা ৱাথোক অসিদা নত্তনা ইন্টর্নেসনল ওলেম্পিক কম্মিটি (আই ও সি) না কুৱেটকী ওলেম্পিক কম্মিটিবু সস্পেন্দ তৌদুনা থল্লিবনি। লৈবাক অসিগী ওলেম্পিক কম্মিটিগী থবক থৌরমশিংবু গভর্ণমেন্টনা খুৎ থিংজিল্লি হায়বা ৱাফমদা অথিংবা অসি থমখিবনি। কুৱেটনা হৌখিবা চহী মঙা অসিদা অনীরকশুবা ওইনা অথিংবা অসি মায়োক্নবগা লোয়ননা লাক্লিবা ওগষ্ট থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক্সতা লৈবাক অসি শরুক য়াবা ফংগদ্রা ফংলোইদ্রা হায়বা হৌজিক ফাওবা লৈখায় তাদনা লৈরিবনি।

# নেসনেল বোক্সিং বোদি অমা রিও গেমস মাঙওইননা শেম্নবা মিনিষ্ট্রিনা ষ্টেক হোল্ডরশিংদা খঙহনখ্রে



ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৭ ঃ

লৈবাক অসিগী বোক্সরশিংবু লাক্লিবা রিও ওলেম্পিক্তা শরুক য়াহল্লোই হায়বগী অকিবা অমা মালেমগী বোক্সিংগী বোদি অমা ওইরিবা আইবানা পীরিবা অসি য়েংলগা বোক্সিংগী ইলেক্টেদ নেসনেল ফেদরেসন অমা অথুবদা শেম্নবা ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিএসন (আই ও এ) য়াওনা ষ্টেকহোল্ডরশিংদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা খঙহনখ্রে।

করিগুম্বা চৎলিবা থা অসিগী অরোইবা শরুক ফাওবগী মনুংদা ইলেক্টেদ নেসনেল বোদি অমা শেমদুনা মথৌ তৌহন্দ্রবদি ইন্দিয়ন বোক্সরশিং লাক্লিবা ওগষ্ট থাদা রিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলেম্পিক্স গেমসতা শরুক য়াহল্লোই হায়না আইবানা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

ষ্টেকহোল্ডরশিং উনখ্রবা মতুং স্পোর্টস সেক্রেটরি রজীভ যাদভনা হায়খি, মহাক্না আই ও এ য়াওনা মরী লৈনবা পুন্নমক উনদুনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবা হায়খিবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী বোক্সিং অমদি বোক্সরশিংগী ইন্টরেষ্টতা ইলেক্টেদ বোদি অমা শেম্নবগীদমক থবক পায়খৎনবা খঙহনখ্রে।

আই ও এ য়াওনা ষ্টেকহোল্ডরশিংগা পুন্না পাঙথোকখিবা মীফম অদু অমেচর ইন্টর্নেসনল বোক্সিং এসোসিএসন (আইবা) না লাক্লিবা মার্চ ৩১ ফাওবগী মমাঙদা বোক্সিংগী ইলেক্টেদ নেসনেল ফেদরেসন অমা শেম্নবা খঙহনলকখিবা অদুগী মখা তারকপা ওইনা পাঙথোকখিবনি। করিগুম্বা আইবাগী ৱাফম অদু থবক্তা ওন্থোক্ত্রবদি তায়োন্নবা মায়কৈ অমদা চৎখিদুনা রিও ওলেম্পিক গেমসতা ইন্দিয়ন বোক্সরশিং শরুক য়াবা ফংখিদবসু য়াই হায়না মিনিষ্ট্রিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

হায়রিবা মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংগী মনুংদা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই) গী দিরেক্টর জেনরেল ওইবদা নত্তনা ইন্দিয়াগী ওইনা বোক্সিংগী এদ-হোক কম্মিটি অমা আইবানা শেমখিবা অদুগী মেম্বরসু ওইরিবা ইঙ্গেটি শ্রীনিভাসসু য়াওখি।

তোঙান তোঙানবা য়ান্নদবা এসোসিএসনশিং থোক্লকপদগী আইবানা শকখঙবা বোক্সিংগী নেসনেল স্পোর্টস ফেদরেসন অমা শেম্বা ঙমদবদগী খোঙজেল ফনা চাউখৎলমখিবা লৈবাক অসিগী বোক্সিং মশান্নবু চৈথেং অমা ফংদুনা তপ্না তপ্না মনিং হল্লক্লি। মসিদা নত্তনা গ্রাসরুট দিভলপমেন্ট য়াওনা এলিট স্পোর্টসতা চাউরবা চৈফু অমা ফংদুনা লৈখা তারক্লি হায়না যাদভনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তান হায়খি, ওলেম্পিক হৌদ্রিঙৈ মাঙওইননা অথুবা মতমদা ইলেক্টেদ বোদি অমা থম্বা মথৌ তাই হায়বা ৱাফম থম্লদুনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ইন্দিয়ন বোক্সরশিংবু রিও ওলেম্পিক্সকীদমক শেম-শাবগী থবক থৌরমশিং চিংনবা অমত্তা য়াওদনা পায়খৎকনি অমদি মখোয়না রিও ওলেম্পিক্সতা নেসনেল ফ্লেগকী মখাদা শরুক য়াবদু পাম্মি হায়খি।

হৌখিবা মার্চ ১০ দা শ্রীনিভাসনা ইন্দিয়াদা বোক্সিংগী ইলেক্টেদ নেসনেল ফেদরেসন অমা শেম্নবগী রোদ-মেপ অমা পুথোক্নবা মরী লৈনবশিংগা মীফম পাঙথোক্তুনা পাউতাক পীবসু লৈখ্রবনি।

# জোকোভিচ, রফাইল নদাল, সেরেনা ৱিল্লিয়মস, রদৱানস্কানা ইন্দিয়ন ৱেলসকী সেমী ফাইনেলগী শেম শাখ্রে



ইন্দিয়ন ৱেল্লস, মার্চ ১৭ ঃ

সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন সিমোনা হালেপপু ষ্ট্রেট সেটতা ঙরাং শান্নখিবা ইন্দিয়ন ৱেল্লসকী ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখিবগা লোয়ননা ফাইনেলদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান অমদি টু অনীগী মরক্তা লম্বা তৌননবা লম্বী য়াৎখ্রে।

চহী ১৫ গী মনুংদা অনীশুবা ওইনা ওপন অসিগী সেমী ফাইনেল চঙখ্রবা সেরেনানা হালেপপু ৬-৪, ৬-৩ দা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা মায়থীবা পীখি।

মেচ লোইরবা মতুংদা সেরেনানা হালেপকী মতাংদা হায়খি, মহাক অসি খুদোংথিনিঙাই ওইবা প্লেয়রনি। মহাক্না অফবা প্লেয়র অমা করম্না মায়থীবা পীগদগে হায়বদু খঙই অমদি ঐনা ঐগী খ্বাইদগী ফবা প্লে অদু শান্নখি।

সেরেনানা মথংগী মেচতা অগনিজকা রাদৱানস্কাগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি। রাদৱানস্কানা সেরেনাগা মাপনলক শান্নখিবদা অমুক্তা ফাওবা সেরেনাবু মায়থীবা পীবা ঙমখিদে।

অতোপ্পা নুপীগী শিঙ্গলস মেচকী ক্বার্টর ফাইনেলদা রাদৱানস্কানা পেট্রা কভিটোভাবু ৬-২, ৭-৬ (৭/৩) তা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখি। মহাক্কী মায়পাকখিবা অসিনা রেঙ্কিংদা এঞ্জেলিগ কার্বরবু নমহৎলগা ৱর্ল্ডগী নম্বর টু স্পোটতা লৈবা ঙমখি। অমদি মসি রাদৱানস্কানা কভিটোভাগা তরারক লম্বা তৌনখিবদা কভিটোভাবু মায়থীবা পীবা মরিরকশুবসু ওইখি।

রাদৱানস্কানা টাইব্রেকরদা ৪-০ দা মাঙজিল থানা চৎখিবগা লোয়ননা কভিটোভানা নিংথিনা শান্নবা ঙমখিদবদগী মেচ অদু মায়থীবদা লমজিংখি।

ঐনা অনীশুবা সেটতা হল্লকপা ঙমখিবদা চনিং তানা নুংশা শ্বর হোনে দাকপা ঙমখি। ঐহাক তশেংনা লাইবক ফবা হায়বদু ওইখি অমদি মায় পাকখি হায়না রাদৱানস্কানা ফোঙদোকখি।

ওপন অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা রফাইল নদালনা অকনবা লম্বা তৌনদুনা মশাগী চহী ১৮ খক্তা ঙাইরিবা জর্মনিগী রেঙ্ক ৫৮ শুবদা লৈরিবা অলেজেন্দর জেভরেভপু ঙরাং শান্নখিবা মেচতা ৬-৭ (৮), ৬-০, ৭-৫ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিদুনা মরিরক শুবা ওইনা টাইটল লৌনবা অচেৎপা খোঙফম শেমখ্রে।

জেভরেভনা মেচ অদুগী অহুমশুবা সেটতা ৫-২ দা মাঙজিল থানা চৎখ্রবসু ফোরহেন্দ ইরর অহুম য়াওখিবদগী নদালদা ব্রিক পীদুনা মেচ অদু মায় পাকহনখি।

ঐনা কোর্টতা পূক্নিং লৈতানা শান্নবা ঙমখিবগীদমক হরাউবা পোকই। মেচ অদু অকনবা মওংদা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। ঐনা অকনবা লম্বানখিবগী তপথদ্রবা ফীভমদা শান্নদুনা মায় পাকপা ঙমখিবনি হায়না নদালনা হায়খি।

অতোপ্পা মেচতা নোভাক জোকোভিচনা ফেলিসিয়ানো লোপেজবু ৬-০, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবগা লোয়ননা সেমী ফাইনেলদা রফাইল নদালগা মায়োক্নদুনা শান্নরবা য়াই।

জপানগী কৈ নিসিকোরিনা অমেরিকাগী জোন ইসনরবু ১-৬, ৭-৬ (২), ৭-৬ (৫) তা মায়থীবা পীখি।

মশাগী চহী ২৫ শুরবা বেলজিয়ম দেভিদ গোং ফিননা নম্বর থ্রি সীদ ষ্টান ৱারিঙ্কাবু ৬-৩, ৫-৭, ৭-৬ (৬) তা অমদি মশাগী চহী ২৫ শুরবা কনাদিয়ন মিলোস রাওনিকনা নম্বর তরুকশুবদা লৈরিবা টোমাস বর্দিচবু ৬-৪, ৭-৬ (৭) তা মায়থীবা পীখি।

মারিন সিলিকনা নম্বর নিপানশুবদা লৈরিবা রিচার্দ গ্যাসকেটপু ৭-৫, ৫-৭, ৬-২ দা মায়থীবা পীখি। সিলিকনা মথংগী মেচতা গোফিনগা অদুগা রাওনিকনা গেল মোনফিলসকা শান্নগনি। গোল মোনফিলসনা ফেদেরিকো দেলবোনিসপু ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখিবনি। দেলবোনিসনা ওপন অসিগী থার্দ রাউন্দদা এন্দি মরেবু মায়থীবা পীখি।

# সাইনা, সাই প্রনীথনা স্বিস ওপনগী প্রী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে




বাসেল, মার্চ ১৭ ঃ

ইন্দিয়ন এস সাইনা নেহৱালনা মহাক্কী জর্মনগী লম্বাবু অতেনবা মতমদা ঙরাং শান্নখিবা মেচতা মায়থীবা পীদুনা স্বিস ওপন গ্রান্দ প্রী গোল্ড বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ৱিমেন'স সিঙ্গলস ইভেন্টকী প্রী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীরক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা অমদি টোপ সীদ অসিনা জর্মনিগী কারিন স্কানেসেবু ষ্ট্রেট গেমদা ২১-৭, ২১-১৫ দা মিনিট ৩৩ খক চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা মায়থীবা পীখি। সাইনানা মথংগী মেচতা চেক্কী ক্রিষ্টিনা গাভনহোল্টকা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। মশাগী চহী ২৫ শুরবী অসিনা কুমজা ২০১১ অমদি ২০১২ গী টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌখি।

সাইনানা হন্দক্তা ইংলেন্দদা লোইশিনখিবদা ঙাইখ্রিবা ওল ইংলেন্দ বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপতা অফবা পাফোর্মেন্স পীবা ঙমদনা ঙন্না টুর্নামেন্ট অদুদগী মপান থোকখিবা অদু কাউথোক্লগা স্বিস ওপন অসিদা মহাক্কী অহুমলকশুবা ওইনা টাইটল লৌনবা পান্দম থল্লিবনি।

লন্দন ওলেম্পিক্সকী ব্রোঞ্জ মেদলল্লিষ্ট সাইনানা ওল ইংলেন্দ বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপকী ক্বার্টর ফাইনেলদা চাইনিজ টাইপৈগী টাই জু য়িংগী মখুৎতা মায়থীহৌখিবনি।

নুপাগী সিঙ্গলস সেক্সননদা বি সাই প্রানীথনা উজবেকিষ্টানগী অর্টয়োম সভাটয়ুগিনবু ২১-৭, ২১-১০ দা মিনিট ২১ চঙনা শান্নদুনা মায়থীবা পীখি। মহাক্না মথংগী মেচতা চাইনিজ টাইপৈগী অনীশুবা সীদ চৌ টেন চেনগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

হৌখিবা চয়োলদা প্রানীথনা মালেসিয়াগী মমাঙগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱানগী চোং ৱৈবু ওল ইংলেন্দ চেম্পিয়নশিপকী ওপনিং রাউন্দদা মায়থীবা পীখিবনি। প্রনীথনা ওপন অসিগী অহানবা রাউন্দদা স্বিসকী মাথিয়াস বোনিবু ২১-১৪, ১৩-২১, ২১-১ দা মিনিট ৪৫ খক চঙনা শান্নদুনা মায়থীবা পীরল্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখিবনি।

প্রনীথতা নত্তনা ইন্দিয়াগী শট্লর অহুম অজয় জয়রাম, ঐচ এস প্রনোয় অমদি সমীর ভর্মাসু মখোয়গী মেন'স সিঙ্গলস ইভেন্টকী অহানবা রাউন্দদা মায় পাক্তুনা সেকেন্দ রাউন্দ চঙখ্রবনি।

ইন্দিয়ন শট্লর ঐচ এস প্রনোয় অমদি সমীর ভর্মানা মখা তানা য়ু এস দি ১২০,০০০ স্বিস ওপন গ্রান্দ প্রী গোল্ড কম্পিটিশনগী মেন'স শিঙ্গলসতা মায় পাক্তুনা প্রী ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

ওপন অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেচতা ১৩ শুবা সীদ প্রনোয়না জর্মনিগী লার্স স্কেঞ্জলরবু ২১-১৬, ২১-১৩ দা মায়থীবা পীদুনা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি। প্রনোয়না প্রী ক্বার্টর ফাইনেলদা কুমজা ২০১০ গী কম্মন ৱেলথ গেমসকী শিলভর মেদলল্লিষ্ট অমদি তরুকশুবা সীদেদ ইংলেন্দগী রজিভ ওউসৈফকা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

নহা ওইরিবা সমীরনা মরিশুবা সীদ চাইনিজ ৱাং জেং সিংবু ২১-১৯, ২২-২০ দা মায়থীবা পীদুনা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি। মহাক্না মথংগী মেচতা সীদেদ ১৬ শুবদা লৈরিবা থাইলেন্দগী টানোংসক সেন্সোমবুনসুক্কা লম্বা তৌগনি।

অদুম ওইনমক ১১ শুবা সীদ অজয় জয়রামনা মহাক্কী ওপন অসিগী কেম্পেন অদু জপানগী কেনিটি টাগোগী মখূৎতা ২১-২৩, ১৮-২১ দা চি লাওনা মায়থীহৌদুনা লোইশিনখি।

নুপীগী সিঙ্গলস মেচতা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা অনীরক ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রবা অমদি তরুকশুবা সীদ পি ভি সিন্ধুনা আইরলেন্দগী চোল মেগীবু ২১-১৯, ২১-১০ দা মিনিট ৩১ চঙনা শান্নখিবা মেচতা মায়থীবা পীদুনা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি। মহাক্না প্রী ক্বার্টর ফাইনেলদা চাইনিজ টাইপৈগী পাই য়ু পোগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

ওপন অসিগী মেন'স সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা ১১ শুবা সীদ অজয় জয়রামনা মালেসিয়াগী জয়ন শয়ারং চায়াংবু ২১-৮, ২১-১৮ দা মিনিট ২৬ খক চঙনা শান্নদুনা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি। মহাক্না মথং রাউন্দদা ৱর্ল্ডগী ৬৩ শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা জপানগী কেনিটি টাগোগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। ১৩ শুবা সীদেদ এস ঐচ প্রনোয়না ফিনলেন্দগী কল্লে কোল জোনেনবু ২১-১৯, ২১-১৯ দা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দগীদমক খুন্মাং চাউশিনখি। মহাক্না মথংগী মেচতা জর্মনিগী মার্স স্কেঞ্জলরগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। অতোপ্পা ইন্দিয়াগী সমির ভর্ম্মানা দেনমার্ককী ইমিল হেলষ্টপু ২১-১৭, ২৪-২২ দা মায়থীবা পীদুনা সেকেন্দ রাউন্দ চঙখি। মহাক্না মথং রাউন্দদা চিনাগী ৱাং জেংমিংগা শান্নগনি।

# ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানি দিপ্লোমেট ১৯ দা ইন্দো-পাক মেচ য়েংনবা ট্রেভেল পাস পীখ্রে



ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৭ ঃ

খূৎলং-লম্মল ওইনা কোলকটাগী ইদেন গার্দেনদা পাঙথোক্কদৌরিবা আই সি সি ৱর্ল্ড কপ টি-২০ গী মার্চ ১৯ দা শান্নগদৌরিবা ইন্দো-পাক অনীগী মেচ য়েংনবগীদমক পাকিষ্টানি দিপ্লোমেট ১৯ গী ট্রেভেল পাস ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পীখ্রে।

ইন্দিয়ানা দিপ্লোমেট ১৯ গী ট্রেভেল পাস পীরবসু দিপ্লোমেটশিং অদুগী ইমুং মনুংগী মীওইশিং য়াওগদবনা মতিক চাদে হায়না পাকিষ্টান্না পেন্দবা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়ারসতগী ফংবা পাউগী সোর্স অমনা ওইরিবা থৌওং অসি য়ুমলোন্নরিবা লৈবাক পাকিষ্টানগী গভর্ণমেন্টনা ইন্দিয়ন দিপ্লোমেটতা উৎখিবা লুজদবা থৌওং অদুগী মখা পোন্না লৌখৎলকপা পাউখুমনি হায়রি।

মমাঙদা ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানগী দিপ্লোমেট মঙা কোলকটাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দো-পাক অনীগী মেচ য়েংনবগী ট্রেভেল পাস পীনবা হায়রকখিবদা দিপ্লোমেটশিং অদু আই এস আই অমদি দিফেন্সকা মরী লৈনৈ হায়বা মরালদা পার্মিসন পীখিদবনি। পাকিষ্টান অমদি ইন্দিয়া অনীনা লাক্লিবা মার্চ ১৯ দা ইদেন গার্দেনদা মখোয়গী মেচ শান্নগনি।

অমরোমদা, পাকিষ্টান ক্রিকেট বোর্দ (পি সি বি) কী টোপ ওফিসলশিং শাহর্য়ার খান অমদি নাজাম সোথিনা মার্চ ১৯ দা কোলকটাগী ইদেন গার্দেনদা পাঙথোক্কদৌরিবা আই সি সি ৱর্ল্ড টি ২০ গী ইন্দিয়া-পাকিষ্টান অনীগী শান্নগদবা মেচ য়েংলগনি হায়রি।

ময়াম্না খৌরাংনা ঙাইনদুনা লাক্লবা ইদেন গার্দেনগী মেচ অসি য়েংবা লাক্কদৌরিবা পাকিষ্টানগী টোপ ওফিসলশিংগী মনুংদা ক্রিকেট শান্নরম্বদগী পোলিটিসিয়ন ওনখ্রবা ইমরাম খানসু য়াওরকপা য়াই হায়রি।

পি সি বিগী মেদিয়া দিরেক্টর অমজাদ হুসেননা ঙরাং হায়খি, ঐখোয়গী চ্যেরমেন শাহর্য়ারনা মেচ য়েংনবগী কোলকটাদা চৎকনি অমদি বোর্দ অসিগী এক্সিক্যুটিব কম্মিটিগী চ্যেরমেন নাজাম সেথিসু চৎকনি।

হৌজিক আই সি সিগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা জাহীর অব্বাস য়াওনা হান্নগী পাকিষ্টান কেপ্টেন ইমরানসু ইন্দো পাক অনীগী মেচ অসি য়েংনবগীদমক শরুক য়ারবা য়াই হায়রি।

পনবা য়াই, পাকিষ্টাননা ইদেন গার্দেনদা শান্নবা মেচতা অমুক্তা ইন্দিয়াগী মখুৎতা মায়থীখিদ্রি অদুগা ৱর্ল্ড কপতা য়ুম্নুনা অমুক্তা পাকিষ্টানগী মখুৎতা মায়থীবা য়াওদ্রি।

ঙরাং শান্নখিবা মেচতা পাকিষ্টাননা বংলাদেশপু রন ৫৫ দা মায়থীবা পীদুনা মখোয়গী কেম্পেন মায় পাক্না হৌদোকখি অদুবু য়ুম্বু ইন্দিয়াদি ন্যুজিলেন্দগী মখুৎতা অনেম্বা রনদা মায়থীহৌখিবনি।




B.C.C. Manipur ꯕꯤ ꯁꯤ ꯁꯤ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ
Under the guidance of BOSEM/COHSEM Estd. 1995
KAKWA ASEM LEIKAI, NEAR OIL PUMP
(The longest Coaching Centre in Manipur and 21 years service)
ADMISSION OPEN
CRASH COURSE FOR NERIST 2016
Class Commencing from 28th March, 2016
Our selected students for last year 2013-14 &15

KHUNDRAKPAM RANJAN SINGH, Khangabok Part-II Maisnam Leikai, Rank-1, Roll No. 10610020
UMAKANTA SAIKHOM, Khangabok Mayai Leikai, Rank-10, Roll No. 107100888
JOGELDRAJIT THONGAM, Pheijaleitong Nameirakpam Leikai, Wait Listed Rank-3, Rank-10, Roll No. 106100144
L. YAIPHABA MEITEI, Soibam Leikai Wangkhei Khunou, Wait Listed, Rank-6, Roll No. 106100288
NAYANGLAMBAN GOBIN SINGH, Awang Khunou Lamkhai, Langjing, Rank-1, Roll No. 106100533
VICTOR MOIRANGTHEM, Khangabok Bazar, Thoubal, Rank-2, Roll No. 103100598
NINGTHOU OINAM, Sagolbanga Mayai Leikai, IW, Rank-2, OBC, Roll No. 106100423
ARNON PUKHRAMBAN, Kwakeithel Moirangpurel Leikai, IW, Rank-4, Roll No. 106100505
NINGTHOUJAM KABIRAJ SINGH, Khangabok Awang Leikai, Rank-6, Roll No. 106100270
SAIKHOM ROHIT SINGH, Khangabok Awang Leikai, Rank-2, Roll No. 105100009

FOUNDATION COURSE
Class IX, X, XI & XII (Sc)
COHSEM/CBSE (Separate Class)
Class commencing from 4th April, 2016
Last date of form submission 2nd April, 2016
Class Timing: 4:30 pm to 7: 30 pm
Office Hours: 4pm to 8 pm
Please Contact:
B.C.C. Manipur
(Elite Sr. Sec. Building)
Kakwa Asem Leikai, Burma
Hostel & Van Service facilities # 8731833072 / 9615385953
HL-B/3000/05/03-4/04


# এ এফ সি কপ ২০১৬ ঃ মোহন বগান্না মখা তানা মায় পাক্না চঙশিল্লি, বেঙ্গালুরু এফ সিনা অহানবা ওইনা কপ অসিদা মায় পাকখ্রে



ন্যু দেল্লি, মার্চ ১৭ ঃ

ইন্দিয়ন চেম্পিয়ন্স মোহন বগাননা এ এফ সি কপ্তা মখা তানা থংনা থংননা অহুল্লকশুবা ওইনা ঙরাং শান্নখিবা মেচতা মায় পাক্তুনা খুমাঙ চাওনা চাওশিল্লি অদুগা বেঙ্গালুরু এফ সিনা অহানবা ওইনা কপ অসিদা মায় পাকখ্রে।

আশা চাওরবা মোহন বগানগী ষ্ট্রাইকর জেজে লালপেখলুআনা চনখিবা গোল অনীনা ম্যান্মারগী য়াঙ্গোন য়ুনাইটেদপু য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ইন্দিরা গান্ধী এথলেটিক ষ্টেদিয়ম, গুৱাহাটিদা শান্নখিবা এ এফ সি কপ ফুটবোলদা ৩-২ দা মায়থীবা পীখি।

মোহন বগান অমদি য়াঙ্গোন য়ুনাইটেদ অনীগী মেচ অদু হেক হৌখিবগা টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখি। টিম অনীগী মেচ অদুদা য়ূম্বু ওইখিবা মোহন বগাননা মেচকী মিনিট ১০ চৎপা মতমদা সোনি নোর্দেনা গোল অমা য়াঙ্গোন য়ুনাইটেদকী মায়োক্তা চনশিন্দুনা ১-০ দা য়াম্না ঙন্না মাঙজিল থানা লৈখি। বগাননা তৎতনা বর্মিজগী মায়কৈদা তৌখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ২১ চৎপা মতমদা জেজেনা মহাক্কী অহানবা গোল চনশিন্দুনা ২-০ দা অমুক্না মাঙজিল থানা লৈখি।

ইন্দিয়ন সাইদনা গোল চনখিবগী তপথদ্রবা বর্মিজ সাইদনা তৌখিবা কাউন্টর এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৩৪ চৎপা মতমদা মোহন বগানগী সাইদতা মার্সেলো ফর্ণান্দেজনা গোল অমা ইক্বেলাইজ তৌখিদুনা ১-২ দা লৈখি। অহানবা হাফ ফাওবদা টিম অনীমক্না অহেনবা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লৈখি।

সেকেন্দ হাফতা বর্মিজ সাইদনা মেচকী মিনিট ৬৪ চৎপা মতমদা মার্সেলো ফর্ণান্দেজনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২-২ দা চাং মান্ননা লৈখি। বর্মিজনা গোল চনখিবা মিনিট অনী লৈরগা জেজেনা মায় পাকপগী গোল অদু চনশিনখিদুনা য়াঙ্গোন য়ুনাইটেদপু মায়থীবা পীখি।

মোহন বগাননা য়াঙ্গোনদা পাঙথোক্কদবা গ্রুপ ঐচকী অহানবা রিটর্ন লেগতা য়াঙ্গোন য়ুনাইটেদকা এপ্রিল ১৩ দা শান্নগনি। গ্রুপ অসিদা মালদিভসকী মাজিয়া অমদি হোং কোংগী সাউথ চিনা য়াওরি। বগাননা গ্রুপ অসিগী মেদল টেলিদা পোইন্ট মাপন ফংদুনা মাঙজিল থানা লৈবদা নত্তনা পোইন্ট মঙা হেন্না অনীশুবা মফমদা লৈরিবা য়াঙ্গোন অমদি মার্জিয়াদগী চৎলি। সাউথ চিনানা পোইন্ট অমত্তা ফংবা ঙমদনা লৈরি। বগাননা আই লীগতা মেচ ১১ শান্নখিবদা মায়থীবা অমত্তা য়াওদনা লৈরিবনি।

অতোপ্পা মেচ অমদা ফেদরেসন কপকী ৱিন্নর বেঙ্গালুরু এফ সিনা কপ অসিগী মখোয়গী অহানবা মায় পাকপা ওইনা য়ূমশকৈশা নুমিৎতা য়াঙ্গোনদা শান্নখিবা মেচতা অয়েয়াৱেদিবু ১-০ দা মায়থীবা পীখি। বেঙ্গালুরু এফ সিগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু সুনিল ছেত্রিনা মেচকী ৩৪ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ মায় পাকখিবা অসিনা বেঙ্গালুরুনা মথং রাউন্দগী ক্বালিফাই ওইনবগী আশা লৈখ্রে। অহানবা লেগ লোইখিবা ফাওবদা বেঙ্গালুরুনা পোইন্ট ৩ ফংদুনা মাঙজিল থারিবা মালেসিয়াগী জোহোর দারুল টাজিম অমদি অয়েয়াৱাদিগী হেক মতুংদা লৈখি। জোহোরনা পোইন্ট মাপন ফংদুনা লৈরি অদুগা য়াঙ্গোনগী অয়েয়াৱাদি অমদি লাওসকী লাওস টোয়োটা এফ সিনা পোইন্ট অহুম অহুম ফংদুনা লৈরি।